**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 15-07-2026)**

**দুরান (এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা হায়রি-মনিপুরনা শকাইরবা শান্নরোই কয়ামরুম পুথোক্লি। মখোয়না লমদম অসিগী হৌগৎলক্লিবা নহাশিংগী থোইদোক হেন্দোকপা মগুনশিং ফোংদোক্লি।

ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা ১৩৫ শুবা ইন্দিয়ান ওইল দুরান কপ-২০২৬ কী ত্রোফি সো কেস তৌবগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপালনা হায়-মনিপুরদগী জাতি অমসুং অন্টরজাতি থাক্কী ফুটবোল্লর কয়ামরুম পুথোক্তুনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরক্লি। মনিপুর অসি শান্ন খোৎনবগী পৱার হাউসনি হায়নরিবনি। লমদম অসিগী মীয়ামদা শান্নবগী কল্লবা ইথিলশিং য়াওজদুনা লাক্লি।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা হায়-মনিপুরগী নুপী ফুটবোল্লরশিংনা লৈবাক অসিগী ফুটবোল মশান্নদা মাংজিল থানা চৎলি। দুরান কপ ত্রোফি অসি ইম্ফালদা পুরকপগীদমক ভারত লান্মীবু থাগৎপা ফোংদোকপগা লোয়ননা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা পুরকবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। দুরান কপ টুর্নামেন্ট ইম্ফালদা মায় পাকা পাঙথোকবা হোৎনবদা রাজ্য সরকারনা পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংগনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা থাজবা পীখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ইষ্টর্ন কম্মান্দগী চীফ ওফ ষ্টাফ-লেফটনেন্ট জেনরেল-গম্ভীর সিংহনা হায়-ইন্দিয়ান ফুটবোল লিগতা মনিপুরগী মশিং য়াম্লবা শান্নরোই কয়ামরুম য়াওরি। হৌজিক হৌজিক মনিপুরগী শান্নরোই ২০ হেন্না ভারতকী হিগোক মচুগী ফুরিৎ লিৎলি। মসিগী মথক্তা নুপীগী ফুটবোল টিমদা মনিপুরগী শান্নরোই ৯ লোম য়াওরি। মহাকা হায়-হন্দক্কী টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না মেটচ ৪৩ শান্নগনি। শ্রী গম্ভীর সিংহনা হায়-টুর্নামেন্ট অসিগী ত্রোফি থা অসিগী

তরেৎতা রাস্ত্রপতি ভবনদা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা মায়খুম হাংদোকখ্রে।

মসিগী মমাংদা, রাজ্যগী য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা ঙসি ১৩৫ শুবা দুরান্দ কপকী ত্রোফি সো কেস অমসুং রোড-সো বিষ্ণুপুর জিলাগী সেন্দ্রদগী লমথাখি। খোঙচৎ অদু বিষ্ণুপুর জিলাগী রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিস, ক্লাসা এফ.সি কৈনৌ, ত্রাউ এফ.সি-ক্বাকৈথেল, মণিপুর য়ুনিভর্সিতি, কংলা অমসুং লমলোং বজার ফাওদুনা লাক্লগা ইম্ফালগী কোনুং মমাংদা লৈবা সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা থুংলখি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়-কুমশি চহিগী দুরান কপ ফুটবোল লৈবাক অসিগী সহর মঙা-ইম্ফাল, কোলকাতা, রাঞ্চি, শিল্লোং অমসুং গুৱাহাতিদা পাঙথোক্কনি। টুর্নামেন্ট অসি থা অসিগী ২৫ দগী কোলকাতাদা হৌগনি। ইম্ফাল লেগনা খুন্মন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২৮ দগী মথং থাগী ১২ ফাওবা চত্থগনি। ইম্ফাল লেগ অসিদা লমদম অসিগী ক্লব অহুম-ত্রাউ এফ.সি., নেরোকা এফ.সি, এফ.সি. রেংদাই অমসুং ইন্দিয়ান নেভি ফুটবোল টিমনা শান্নগনি। অহৌবা মেটচ থা অসিগী ২৮ দা ত্রাউ এফ.সিগা নেরোকা এফ.সিগা শান্নগনি।

**সিএম(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি-অরোন অথুপ লৈতবা লৈঙাক সাসন থন্বা হায়বসি মহাক্কী সরকারগী খ্বাইদগী মাংজিল থাবা থৌদাংনি।

ক্রিয়েটিব সার্কল কোচিং ইন্সটিট্যুটকী ঙসি পাঙথোকখিবা ১৪ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা শরুক য়ারদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-কোচিং সেন্টর অসিনা সিভিল সার্ভিসতা থবক চংনিংবা মীওইশিংদা তাকপী তম্বীবগী লমদা লৌরিবা থৌদাং অসি থোইদোকা থাগৎনিংঙাইনি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা কুমজা ২০২২ গী এম.পি.এস.সিগী নৌনা খল্লবা কেন্দিদেটশিংদা মুখ্য মন্ত্রিনা রিক্রুইটমেন্ট প্রোসেসতা চিংনবা লৈব্রা হায়না হংবদা, কেন্দিটেশিং অদুনা অমত্তা ওইনা চিংনবা লৈতে হায়না ফোংদোরকখি। মপানগী থৌইনশিন অমত্তা য়াওদনা

পরিক্ষা অসি য়ামা নিয়ম চুমা পাঙথোকপগীদমকসু মুখ্য মন্ত্রিনা মনিপুর পাব্লিক সার্ভিস কম্মিসনবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

থবক লৌবদা মনুং মপান ফাওনা উবা ঙম্বা মওংদা নিয়ম চুমা পাঙথোক্তুনা মীয়ামনা সরকার অসিদা হেন্না থাজবা হেনগৎহন্নবা মখা তানা হোৎনখিগনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

**কাং (এল)ঃ** নুমিৎ ৯ নি চথেগদবা রথ যাত্রা, কাং চিংবগী থৌরম হয়েংদগী মনিপুরদা হৌরগনি। মপুং ওইবা থৌরম ইম্ফালগী শ্রীশ্রী গোবিন্দজি মন্দির, শ্রীশ্রী বিজয় গোবিন্দজি, ইস্কোন মণি মন্দিরদা কাং চিংবগী থৌরম পাঙথোক্কনি। মদুগী তুংদা রাজ্যগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কাং চিংবগী থৌরম পাঙথোকগনি।

শ্রীশ্রী গোবিন্দজি মন্দিরদা পাঙথোক্কদবা কাং চিংবা থৌরমগী মীৎনা উবা পাউদম অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মীৎনা উবা পাউদম অসি অকাশবানি ইম্ফালগী কংলা অমদি শঙাই চেন্নেল অনিমক্তা হয়েং নুমিৎযুংবা মতুং পুং ১ দগী নুংথিল পুং অনিমখায় ফাওবা শন্দোক্কনি।

ইস্কোন মণি মন্দিরদা কাং চিংগদৌরিবা অসিগী মতাংদা ইস্কোন ইম্ফালগী পাউনা হায়-হয়েং পাঙথোক্কদবা রথ যাত্রা-কাং চিংবগী থৌরম ইস্কোন মন্দিরদগী হৌরগা ক্বাকৈথেল বজার ফাওবা চিংগনি।

**মেসেজ (এল)ঃ** রধ যাত্রা কাং চিংবগী থৌরমগা মরী লৈননা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মুখ্য মন্ত্রি-যুমাম খেমচান্দগী পাডজেলদা হায়-কাং চিংবা অসি মনিপুরগী লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা অরীবা থৌরমশিংগী মনুংদা মরুওইবা অমনি। থৌরম অসিনা লাকপদা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অমনা অমবু ইকায় খুমবা, নুংশি চান্নবা অমসুং পুন্না থৌদাং লৌমীন্নবগী ৱাখল্লোন হেন্না ফাওহন্দুনা শান্তি অমসুং চাউখৎপা লমদম অমা পুরকপা ওইরসনু।

উপ মুখ্য মন্ত্রি-লোশি দিখোনা রথ য়াত্রাগা মরী লৈননা পীবা পাউজেল অমদা হায়-কাং চিংবগী কুম্মৈনা লাকপদা রাজ্য অসিদা লৈমিন্নরিবা ঐখোয় পুমমক্কী মরক্তা অমত্তা ওইবা অমসুং নুংশি চান্নবগী শক্তম হেন্না পুরকপা ওইরসনু। ভগবান জগনাথ, ভলভদ্র অমসুং দেবী সুভদ্রগী কাং চিংবগী থৌরম অসিনা থোং মান্নবা, অখাকপা লৈতনা কৎথোকপগা লোয়ননা মীওইবা খুন্নাইগীদমক থবক তৌবা ঙম্বা লমদম অমা ওইহল্লসনু হায়রি।

মহাক্কী পাউজেলদা মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতানা হায়-রথ যাত্রা অসি থাজবা, অমত্তা ওইবা অমসুং পুকিং ৱাখলবু মীকপ থোকহনবগী শক্তম লৌরিবা থৌরম অমনি। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা রাজ্য অসিদা কাংলুপ মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবা অমসুং অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন হেন্না ফাওহনবা ওইরসনু।

ময়াং ইম্ফাল কেন্দ্রগী এম.এল.এ. কে. রোবিন্দ্রোনসু রথ যাত্রাগা মরী লৈননা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

**কামজোং (এল)ঃ** কামজোংগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী ওফিসতা ঙসি মফম অদুগী শান্তি রক্সাগী ফিভম য়েংশিনবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-এল.এন.কাশুংনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা জিলা অসিগী এস.পি. থোলু রোকি য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং অমদি অসাম রাইফলস, বি.এস.এফ. অমদি আই.আর.বিগী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি। মতম মতমগী ওইনা ফংবা ই-পাউশিং পীথোক পীশিন তৌনদুনা পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা থিংননবা হোৎনবদা পুন্না থৌদাং লৌমীন্ননবসু মীফম অদুদা খন্নখি।

**সেনাপতি (এল)ঃ** সেনাপতি জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী কনফরেন্স হোলদা ঙসি ই-সেবা মনিপুর পোরেটেলগী মতাংদা জিলা থাক্কী ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা

পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা লম অসিদা খঙ হৈরবা মীওই কয়ানা ৱা ঙাংখি।

**চান্দেল (এল)ঃ** দিষ্টিক্ট হেলথ সোসাইতি-চান্দেলনা শিনদুনা রাস্ত্রিয়া কিশ্বোর স্বাসথয়া করিয়াক্রম এদোলেসন্ট হেলথ প্রোগ্রামগী মখাদা নোংমগী ওইবা জিলা থাক্কী দিসিমিনেসন কম রিভিয়ু মীতিং অমা ঙসি চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চান্দেলগী চীফ মেদিকেল ওফিসার-ডা: জয়সন মেথিয়ু মোনশাং য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**ত্রেন্নিং (এল)ঃ** সেন্সস ২০২৭ কী ফেজ ৱানগী ফিল্ড ত্রেন্নরশিংগী নুমিৎ হুমনি চথগদবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী চুরাচান্দপুরগী মিণি সেক্রেটরিয়েটতা হৌখ্রে।

চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাগী ফিল্ড ত্রেন্নরশিংগী ওইনা পাঙথোকপা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অদু চুরাচান্দপুরগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমারনা হৌদোকখি।

**মেমোরেন্দম (এল)ঃ** মতম শাংলবা মনিপুরগী ৱাথোক অসিনা মীয়ামদা থাজবা ৱাৎপগী থৌওংশিং থোকহল্লিবা অসি কোকহনবীনবা ৱার্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলনা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিদা ৱাকৎ চেরোল অমা পীশিনখ্রে হায়রি।

মনিপুরদা শান্তি পুরকবা, অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা অমসুং মীয়াম মরক্তা থাজনবগী চাং হেনগৎহন্নবা মতিক চাবা থবকশিং লৌখৎপীনবসু চেরোল অদুদা তকশিল্লি।

**এৱারনেস (এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন অমসুং বাইটৱে ইরকা

তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টনা পুন্না শিনদুনা হকচাং ফবা পুন্সি মহিং অমসুং নুপীশিংদা অফবা চিঙ্গাকশিং চাং চানা পীজবগী মতাংদা নোংমগী ওইবা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি তেংনৌপল জিলাগী খাংশিম ভিলেজতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা কন্মিসনগী চেয়ারপার্সন-টি.ঐচ. তিনিংফম মোনশাংনা হায়-য়ুমদা থোং থাকপগী থবক তৌবদা চাউরবা থৌদাং লৌরিবা নুপীশিংনা করম করম্বা মখলগী হকচাংদা কান্নগদবা ইঙ্গাংশিং থোংগদগে হায়বদু খঙহন্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা কন্মিসনগী অতৈ মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** থারতি থ্রি বাই এলবেন কে.ভি. থৌবাল ওল্ড সব ষ্টেসনগী এলভেন কে.ভি. সাউথ ফিদরগী মখাদা লৈবা থৌবাল অথোকপম অমসুং খাঙবোককী মফমশিংদা থা অসিগী ১৭ কী অয়ুক পুং ৮ দগী নুংথিং পুং ৫ ফাওবা মৈ মুৎকনি হায়রি।

এম.এস.পি.দি.সি.এলগী চেরোল অমদা হায়-মফমশিং অসিদা মৈ শেমজিন শাজিনগদবা লৈবদগী হায়রিবা মতম অসিদা মৈ মুৎকদবনি।

**এগ্রীমেন্টঃ** মতম শাংনা ঙায়রক্লিবা ইন্দিয়া-য়ুনাইটেদ কিংদম কমপ্রিহেন্সিব ইকোনোমিক এন্দ ত্রেদ এগ্রীমেন্ট ঙসিদগী চৎনবা হৌরে। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী অহানবা কন্সাইমেন্ট ঙসি য়ু.কে. তমা থাবা হৌখ্রে।

করনাতক্কী বেঙ্গলুরুদা য়ুনাইটেদ কিংদমগী দিপ্যুতি হায় কন্মিস্নার-চন্দ্রু লায়রনা অহানবা ওইনা থাবা পোৎলমশিং অদু লমথাখি। তুংদা, অকাশবানিগী ই-পাউ কাংবুদা শ্রী লায়রনা হায়-অনৌবা থৌশিল অসিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা লল্লোন ইতিক্কী থবক্তা শিংথানিংঙাই ওইনা কান্নবশিং ফংহল্লগনি।

তেলঙ্গানাগী হায়দ্রবাদতা ঙসি অয়ুক পাঙথোকখিবা য়ু.কেদা পোৎলমশিং থাবগী থৌরম অমদা তেলঙ্গানাগী ইন্দষ্ট্রিজগী স্পিসিএল সেক্রেটরি-কৃষ্ণ অদিত্য অমসুং দি.জি.এফ.টিগী এদিসনেল দাইরেক্তর-ডা: সমপথ কুমারনচিংবা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

মহারাস্ত্রগী মুম্বাইদগসু য়ু.কে তমা পুগদবা অহানবা পোৎলমশিং ঙসি লমথাখ্রে।

**জয়ঙ্করঃ** কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা ঙসি বেলজিয়মগী ব্রুসেলসতা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন কম্মিস্নারস ফোর স্তার্টঅপস, রিছার্স এন্দ ইনোভেসন, ইকাতেরিনা জহারিভাগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

ডা: জয়শঙ্করনা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়-উন্নবা অদুদা ক্লিন অমসুং গ্রীন ইনর্জি টেকোলোজিগী মতাংদা থিজিন হুমজিন্নবগী মতাংদা খন্নখি। নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা বেলজিয়মদা লৈরিবা ডা: জয়শঙ্করনা ইন্দিয়া-বেলজিয়ম ষ্ট্রেটেজিক দাইলোগকী মীফমদা লৈবাক অদুগী উপ প্রধান মন্ত্রি-মেক্সিম প্রেভোটকা পুন্না সভাপতি ওইখি। ঙসি অয়ুক অঙনবদা ডা: জয়শঙ্করনা য়ুরোপিয়ন কম্মিস্নার ফোর ইন্টরনেসনেল পার্টনরসিপ-জোজেপ সিকেলাগসু উন্নখি।

**ফিফা ঃ** ফিফা ৱার্ল্ড কপকী অনিসুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ঙসি অহিং নোংয়াই মতুং পুংখায় চৎপদা আরজেন্তিনাগা ইংলেন্দগা শান্নরগনি।

হৌখিবা অহিং নোংয়াই মতুং পুংখায় চৎপা মতমদা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা স্পেননা ফ্রান্সপু পাঞ্জল ২-০ দা থোইদুনা ফাইনেল চংখ্রে।

অহুমসুবা মফমগীনা জলাই ১৯ দা শান্নগনি। ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ২০ দা শান্নগনি।

**ফুটবোল ঃ** এন.জি.এল. নোংপোক লৌরেম্বমনা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা তরেৎশুবা লম্বামযুম নোংথোন ফুটবোল ফেষ্টিবেলগী ঙসি শান্নখিবা প্রি-ক্বাটর ফাইনেল মেটচশিংদা-হোমিস এফ.সি. ৱাংজিংনা এস.এল.এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা অদুগা ফুটবোল লভরস নোংপোক সেকমাইনা ফ্লোরি হোষ্টেল-শগোলবন্দবু পেনালতিদা পাঞ্জল ৫-৩ দা থোইখ্রে।

**হোকিঃ** থা অসিগী ২২ দগী মথং থাগী অমা ফাওবা নেদরলেন্সকী রোটর দামদা পাঙথোক্কদবা মাস্তরস ৱার্ল্ড কপ ২০২৬ তা চিংশুবম সঙ্গাই ইবেমহলনা ইন্দিয়ান মাস্তরস ৱিমেন হোকি টিমদা শরুক য়ারগনি।

হোকি ইন্দিয়াগী চেরোল অমনা হায়-চেম্পিয়নসিপ অসিগা মরী লৈননা কোচিং কেম্প থা অসিগী ১৩ দগী ২০ ফাওবা হরিয়ানাগী সোনিপথতা লৈবা সাই সেন্টরদা পাঙথোক্লগনি।